# মধ্য প্রদেসকী সি এম কমল নাথ পাঙ্গল চাংয়েংগীদমক মার্চ ২৬ ফাওবা মতম ফংখ্রে



***ভোপাল, মার্চ ১৬(এজেন্সি)ঃ***

মধ্য প্রদেশতা কমল নাথনা লুচিংবা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টতগী এম এল এ ২২ ফম থাদোকখিবদগী কায়বগী ফিভমদা লৈরকখিবদু স্পিকরনা কোরোনাভাইরস লাইচৎকী মরমদগী মার্চ ২৬ ফাওবা এসেমব্লি য়ৈথোকখিবদগী কমল নাথকী অৱাবা অমা কোকখ্রে।

অদুবু খৌরাংনা ঙাইরক্লবা এসেমব্লিদা পাঙ্গল চাংয়েং পাংথোক্কদবা অদু স্পকর এন পি প্রজাপতিনা কোরোনাভাইরস পান্দেমিক্কী মতাংদগী এসেমব্লি য়ৈথোক্তুনা চাংয়েং অদু পাংথোকখিদ্রে। মদুদা বি জে পিনা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা হিরম অসিগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখ্রে।

কমল নাথনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা পুং ১২গী মনুংদা থাজবগী ভোট অমা মায়োক্লগদবনি হায়না দিমান্দ তৌদুনা মধ্য প্রদেশকী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহান অমসুং অতোপ্পা এম এল এ ৯ দিমান্দ তৌদুনা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎলকখিবদগী সুপ্রিম কোর্টনা হিরম অদু হয়েঙ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হিয়ারিং তৌগদৌরি।

শিবরাজ সিংহ চৌহান অমসুং এম এল এ ৯ অদুগী ৱাকৎ চেরোল অদুনা স্পিকর, চীফ মিনিষ্টর অমসুং এসেমব্লিগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিবু কোর্ট অসিগী ওর্দর থোকখিবগী পুং ১২গী মনুংদা মধ্য প্রদেশ লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা পাঙ্গল চাংয়েং অদু পাংথোকহন্নবা পাউতাক পীবিয়ু হায়না দিমান্দ তৌখি।

ঙসি এসেমব্লিদা পীবা মিনিট ২ ফাদবা শমলপ্পা ৱারোল অমদা গভর্ণর লালজি তন্দননা ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা কনষ্টিট্যুসনগী চৎনরোল ঙাক্তুনা দেমোক্রেসিগী লেমজনিঙাই ওইরবা লিচৎ থমদুনা অমসুং শান্তি ওইনা লৈনবা লেজিসলেটরশিংদা আপিল তৌখি।

অদুম ওইনমক বি জে পি লেজিসলেটিব পার্টিগী চীফ হ্বিপ নরোত্তম মিশ্রনা মাগী ৱারোল অদু তেনশিনহন্দুনা গভর্ণমেন্ট অসি মাইনোরিটি তারবনা পাঙ্গল চাংয়েং অমা তৌগদবনি হায়না দিমান্দ তৌখি।

পাঙ্গল চাংয়েং অদুগী মতাংদা অরেপ্পা খঙদনা লৈরিঙৈ মতম অদুদা হাউসতা রেবেল এম এল এ ২২ অদু নত্তনা মেম্বর পূন্নমক লাকখি।

এসেমব্লি সেসন য়ৈথোকখ্রবা মতুংদা বি জে পিনা গভর্ণরগী মমাঙদা এম এল এ ১০৬ পুথোক্তুনা উৎখি অমসুং সপোর্ট তৌবগী চেরোল অমা পীশিনখি।

হৌখিবা চহীদা বিল অমগী মতাংদা এসেমব্লিদা লৈঙাক পায়রিবা কোংগ্রেসতা ভোট পীখিবা বি জে পি এম এল এ ২গী মনুংদগী ১ ওইরিবা বি জে পিগী এম এল এ নরয়ান ত্রিপাথিদি গভর্ণরগী মমাঙদা লাকখিবা এম এল এশিংদুগী মনুংদা য়াওদে। গভর্ণমেন্টনা মেজোরিটি মাঙখ্রে অমসুং লৈঙাক পায়দুনা লৈনবগী হক লৈত্রে হায়না শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হায়খি।

রিবেল এম এল এ ২২ রিজাইন তৌখ্রবনা মেম্বর ২৩০গী এসেমব্লিদা হৌজিক চৎনবা য়ারিবা মেম্বর মশীং অসি ২২২ ওইরে অমসুং মসিগী মেজোরিটি ওইগদবা মশীংনা ১১২ ওইরগনি। হাউস অসিদা কোংগ্রেসকী এম এল এ ১০৮ অমসুং বি জে পিগীনা ১০৭ লৈ। সমাজৱাদি পার্টিনা মাগী অমখক্তা ঙাইরবা মেম্বর অদু কোংগ্রেসতা ভোট পীনবা খঙহনখ্রে। এসেমব্লি অসিদা ইন্দিপেন্দেন্ট ৪ অমসুং বি এস পিগী ২ লৈরি।

ঙসি এসেমব্লিগী মীফম অয়ুক পুং ১১দা হৌগদবগী পুং খরগী মাঙওইননা চীফ মিনিষ্টর কমল নাথনা গভর্ণরদা পাঙ্গল চাংয়েং অমা পাংথোক্লবা মাগী দিরেক্টিব অদু মাগী কনষ্টিট্যুসনেল রাইটসকী ৱাংমদনি অমসুং মদু স্পিকরগী থবকশিংদা খূৎ থিংজিন্নবা গভর্ণরগী থবক মনুং চন্দে হায়রদুনা চিঠি অমা ইখি। চিঠি অদুদা কমল নাথনা মহাক্কী এম এল এ খরা করনাতকাদা ফাদুনা থম্মি হায়খি অমসুং হায়রিবা এম এল এ পূন্নমক অদু নম্ফমুদগী থাদোক্লবা অমসুং শাফু অমতগী মখাদা লৈত্রবা মতমদা পাঙ্গল চাংয়েং অমা তৌগদবনি হায়খি।

---

### পান্দেমিক কোভিদ–১৯না লৈবাক ১২৩দা শন্দোরকখ্রে

# ইরানগী সুপ্রিম লিদর খল্লিবা বোদিগী মেম্বর ১ কোভিদ–১৯ লাইচৎ অসিদগী শিখ্রে ঃ রিপোর্ট



***টেহরান, মার্চ ১৬(এজেন্সি)ঃ***

চিনাদা শন্দোকপা হৌরকখিবা, মফমদুগী ইচম চম্বা লাইচৎ অমা ওইরম্বদগী মালেমগী লৈবাক ১২৩ হেনবদা খোঙলে থুনা শন্দোরক্তুনা ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসননা পান্দেমিক ওইরে হায়না ওফিসিয়েল ওইনা লাওথোকখ্রবা অনৌবা কোরোনাভাইরস–কোভিদ–১৯ লাইচৎনা ইরানদা শাথিনা শন্দোরকপদগী লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী শক্তি লৈরবা সুপ্রিম লিদর অদুবু খল্লিবা বোদি অদুগী মেম্বর অমা লাইচৎ অসিনা নাবদগী শিখ্রে।

এসেমব্লি ওফ এক্সপার্টসকী লো–প্রোফাইল, মোদরেট মেম্বর অমা ওইরিবা মশাগী চহী ৭৪ শুরবা অয়াতোল্লাহ হাশেন বাথৈ কোভিদ–১৯ নাবদগী শিখ্রে হায়না ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা সেমি–ওফিসিয়েল ফারস অমসুং টাসনিম ন্যুজ এজেন্সিশিংগী পাউনা হায়খি।

ফিভম হেন্না শাথিরক্লিবা লাইচৎ অসিনা নাবদা সেনিয়ার ইরানিয়ান ওফিসিয়েল কয়ামরুমগী মনুংদা মহাক্না খ্বাইদগী কোন্না লাকখিবনি।

লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অশিবা মশীং ১০০ অমগা হেনগৎতুনা মীওই ৭০০ হেন্না শিখ্রে অমসুং মীওই ১৪,০০০রোম লাইচৎ অসিনা শোকহনখ্রে।

এসেমব্লি ওফ এক্সপার্টস কৌবা ক্লেরিকেল বোদি অদুনা লৈবাকসিগী মরুওইবা অচৌবা পোলিসি পুন্নমক্কী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌরিবা সুপ্রিম লিদর অদু হাপ্পা নৎত্রগা লৌথোকপগী ওথোরিটি লৈ।

হৌজিক মশাগী চহী ৮০ শুরবা সুপ্রিম লিদর অয়াতোল্লাহ আলি খামেনৈনা ১৯৮৯দগী শক্তি পায়রক্লি। চেকশিন–থৌরাং লৌখৎপা অমা ওইনা হন্দক লৈবাক্কী থৌরম অমদা মহাক্না দিসপোজেবলগ্লোবশিং উপখি।

কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, পার্লিয়ামেন্ট মেম্বরশিং, রিভোলুসনরি গার্দ মেম্বরশিং অমসুং হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রি ওফিসিয়েলশিং লাইচৎ অসিনা নাখ্রে। মদুনা মালেমগী ওইবা মীওই ১৮০,০০০ রোম নাহনখ্রবা অমসুং মীওই ৬,৫০০ হেন্না শিহনখ্রবা গ্লোবেল পান্দেমিক অসি ঙাকথোক্লাবগী মতাংদা ইরানগী থবকশিংদা মীয়াম্না হেন্না অকিবা পোক্লে।

লাইচৎ অসিগী হৌরকফম, অমসুং মীওই ৮০,০০০ হেন্না নাখ্রবা লোয়ননা ৩,৫০০রোম শিখ্রবা চিনাগী হেক মথংদা ইটালিনা কোভিদ–১৯না খ্বাইদগী থীনা শোকপা লৈবাক ওইরি। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা মীওই ১৮০০ হেন্না শিখ্রে, ২৫,০০০রোম নাখ্রে। মথংদা ইরানদা মীওই ৮৫৩ শিখ্র, ১৪,০০০ হেন্না নাখ্রে।

ফ্রান্সতা নোংমখক্তদা খ্বাইদগী য়ান্না শিবা ওইনা লাইচৎ অসিদগী মীওই ২৯ শিখিবগা পুন্না শিবা মশীং ৭২৭ য়ৌরে হায়না হেল্‌ঠ মিনিষ্টর ওলিভিয়র ভেরানা হায়খ্রে।

---

# ক্যেয়র হোমদা শোয়নাইরবা মী ১৯ হাংখিবগীদমক জপান মীওই অমা শিবগী চৈরাক পীনবা ৱায়েল তাখ্রে

***য়োকোহমা, মার্চ ১৬(এজেন্সি)ঃ***

জপানদা খ্বাইদগী শাথিবা পুন্না হাৎপা মীহাৎশিংগী মনুংদগী অমদা ক্যেয়র হোম অমদা ফিভম শোয়নাইরবা মীওই ১৯বু থাঙনা থিন্দুনা হাৎপগীদমক শাতোসি উইমাৎসু কৌবা মীওই অমবু ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা কোর্টনা শিবগী চৈরাক পীনবগী ৱায়েল তাখ্রে।

২০১৬দা লৈবাক পুম্ববু থম্মোয় শোকহনখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ফেসিলিটি অদুগী হান্নগী ইমপ্লোয়ী মশাগী চহী ৩০ শুরবা উইমাটসুবু ঙাকপীফম অমত্তা লৈতে হায়না কোর্ট অদুনা হায়খি।

মীওই ১৯গী পুন্সি লৌখ্রে। মসি শাথিনা চাওরবা তমথিবা মরান অমনি হায়না চীফ জজ কিয়োসি



ঔনুমানা কোর্টতা হায়খি।

উইমাটসুনা মীহাৎশিং অদু হান্না থৌরাং তৌখিবনি অমসুং হাৎননবগী য়ান্না শাথিবা অনীংবা অমা লৈখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

জাপানদা থৌরি য়াল্লগা চত্থবা শিবগী চৈরাক অদু পীনবা প্রোজিক্যুটরশিংনা দিমান্দ তৌখি অমসুং টোকিওগী হেক মপান্দা সুকুই য়ামায়ুরি–এন সেন্টরদা থোকখিবা হিংশা অদুগীদমক দিফেন্দেন্ট অদুনা দায়ত্ব লৌফম থোকই হায়না য়েৎখি।

অকি–তুজুংনিঙাই ওইরবা এটেক অদুদা ফিভম শোয়নাইরবা পূন্নমক অদু মহাক্না লোয়নমক মুত্থৎপা পামখি। মদুদা মীওই ২৬ অমসু শোকখি। মীওইশিং অদু হাৎলম্লবা তুংদা ঈ তৈবা থাঙশিং পুরদুনা পুলিসতা মশামক লাকখি।

সুপ্নগী থা খরখক্কী মমাঙদা সেন্টর অদুদগী মহাক থবক তোক্লকখ্রে হায়বসি কোন্না খঙখি। মহাক্না হাৎখিবশিং দুগী মনুংদগী মীয়ামদা মশক তাকখিবা খরখক্কী মনুংদা মিহো কৌবী চহী ১৯ শুরবী নুপী অমগী মমানা উইমাটসু মখা তানা হিংবগী মথৌ তাদ্রে হায়খি।

ঐহাক্না মাবু অসুক্কী মতিক তুকৎচৈ, মাবু মচেৎ–মচেৎ লেনথৎপা পাম্মি, খ্বাইদগী হেন্না শাথিনা কল্লবা চৈরাক ফাওবা নহাক্কীদমক্তি অয়াঙবা চৈরাক্লি, ঐনা নংবু কৈদৌঙৈদা ঙাকপীরোই হায়না কোর্টকী ৱায়েল অদু পীদ্রিঙৈগী মমাঙদা মমা অদুনা হায়খি।

ঐগী খ্বাইদগী মমল য়াম্লবা ইচানুপী অদু অমুক হন্না পীবিরকউ, নংদি হৌজিকসু হিংলি, মসি ফৎতে, মসি লানবনি হায়না মমা অদুনা হায়খি।

---

# সুপ্রিম কোর্টনা টেলটুম্বদে, নল্লাখাদা বেল পীবা য়াখিদ্রে, সরেন্দর তৌনবা চয়োল অনীগী মতম পীখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৬(এজেন্সি)ঃ***





মহারাষ্ট্রদা পুনে দিষ্ট্রিক্টকী ভিমা কোরেগাও খূনদা ২০১৭গী দিসেম্বর ৩১দা এলগার পরিষদনা শিনবা থৌরমদগী থোক্লকখিবা হিংশাগী থৌদোকশিংগা মরী লৈননা ফাখিবা এক্টিভিষ্টশিং আনন্দ টেলটুম্বদে অমসুং গৌতম নাল্লাখানা এন্টিসিপেটরি বেল পীবীনবগী ৱাকৎশিং অদু সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি য়াখিদ্রে।

এক্টিভিষ্ট ২ অসিবু দেক্রোনিয়ান ওইরবা অনলোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্ট (য়ু এ পি এ)গী তোঙান তোঙানবা প্রোভিজনশিংগী মখাদা মরান শীখিবনি। অদুবু মখোয়না এন্টিসিপেটরি বেলগী হায়জরকপা অদু ককথৎলদুনা মকোক থোংবা কোর্ট অসিনা এক্টিভিষ্ট ২ অসিবু চয়োল ৩গী মনুংদা সেরেন্দর তৌনবা ওর্দর তৌখ্রে।

মখোয় অনীনা বোম্বে হায় কোর্টকী সিঙ্গল–জজ বেঞ্চ অমনা মখোয়গী এন্টিসিপেটরি বেলগী ৱাকৎ অদু ককথৎলকখ্রবগী মতুং সুপ্রিম কোর্টতা লাকখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টতা অপিল তৌনবা মখোয় ফাবদগী চয়োল ৪ ফাওবা ইন্টরিম প্রোটেক্সনগী মতম হায় কোর্ট জজ জষ্টিস প্রকাস দি নায়কনা ফেব্রুৱারি ১৪দা শাংদোকহনখি।

কেস অদু পুনে পুলিসনা ইনভেষ্টিগেসন তৌরবসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা কেস অদু ফেব্রুৱরি থাদা মহারাষ্ট্র গভর্ণমেন্টতগী নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (সি আই এ)দা শিন্নখি। মখোয়গী এন্টিসিপেটরি বেলগী ৱাকৎশিং অদু ককথৎলদুনা ঙসি সুপ্রিম কোর্টগী বেঞ্চ অদুনা ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিনা খোমজিল্লক্লিবা মচাকশিং অসিগা য়েংলগদি বেল পেটিসনশিং অদু লৌনিংঙাই ওইদে হায়খি।

অদুবু এক্টিভিষ্ট ২ অসিগী মহুৎ শিন্দুনা কোর্টতা লেপ্লিবা সেনিয়ার এদভোকেট ২ কপিল সিবল অমসুং অভিশেক মানু সিংহবিনা প্রোজ্যুকিসনন্না পুথোক্লিবা ইনক্রিমিনেটরি লেটুরশিং অদু অতোপ্পা মীওইদগী রিকোভর তৌরকখিবনি হায়না কোর্টতা থমখি। অদুগা মীওই অনী অসি ইন্টিলেকচুয়েল অমসুং একাদেমিক মেথদশিংদগী ইষ্টাব্লিসমেন্টকী ক্রিটিসিজম তৌবা পীছ এক্টিভিষ্টশিংনি হায়খি। মদুদা এন আই এগী মহুৎ শিল্লিবা সোলিসিটর জেনরেল তুশার মেহতানা এপেক্স কোর্ট অদুদা এক্যুজ এক্টিভিষ্ট ২ অদুগী কষ্টোদিয়েল ইন্টরোগেসন য়ান্না মথৌ তাই হায়না থমখি।

হায় কোর্ট অদুদা পুনে পুলিসনা টেলটুম্বদেবু আইননা থিংখ্রবা সি পি আই (মাওইষ্ট)গ্রুপকী এক্টিব মেম্বর অমনি অমসুং অনুরাধা গান্ধী মেমোরিয়েল (এ জি এম), কমিটি ফোর প্রোটেক্সন ওফ দেমোক্রেটিক রাইটস (সি পি দি আর) অমসুং ইন্দিয়ান এসোসিয়েসন ওফ পিপলস লোয়রস (আই এ পি এল)গুম্বা ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসনশিংগী থবক তৌই হায়বা ৱায়েৎ থমখি।

ওর্গনাইজেসনশিং অসিনা মীয়ামদা গভর্ণমেন্টতা য়ানিংদবগী ফিভম অমা শেমখি হায়না পুনে পুলিসনা হায়খি। অদুবু কোর্টতা পুথোক্লিবা দোকুমেন্টশিং অদু অমত্তা চান্নদে হায়না টেলটুমদেগী উকিলশিংনা ষ্টেটকী অরগুমেন্টশিং অদু য়াখিদে।

অমরোমদা নল্লাখানা আইননা থিংখ্রবা মাওইষ্ট গ্রুপকদমক ফন্দ খোম্মী, কেদর লৌশিল্লি, খূৎলাই লৌশিনবগী থবক্তা য়াওই অমসুং গভর্ণমেন্ট থুগাইনবা অচৌবা কনস্পিরেসি অমদসু য়াওই হায়না পুলিসনা হায়খি।

অদুবু পুলিসকী ৱাফম অদুগী মায়োক্তা য়েৎলদুনা নল্লাখানা মহাক্না সিভিল রাইটস এক্টিভিষ্ট অমা ওইনা ট্রাইবেল এরিয়াশিংদা ফেক–ফাইন্দিং ভিজিটশিং চৎপনি হায়খি। ভিজিটশিং অদু হীংশাগী থৌদোকশিং অমসুং ঈরাংশিংনা মফমশিং অদুগী মীয়ামগী মথক্তা শোকহল্লিবা ফল অদু দোকুমেন্টিং তৌনবগী হিরম অমদা চৎপনি হায়খি।

---

# কোরোনাভাইরস ভেক্সিন রিছার্চ য়োন্নবা নৎতে ঃ জর্মনি

***বার্লিন, মার্চ ১৬(এজেন্সি)ঃ***

জর্মন বাইওটেক ফার্ম অমনা কোরোনাভাইরসকী ভেক্সিন ওইনিংঙাই ওইবা অমা পুথোকখিবা অদুগী এক্লুসিপ এক্সেস য়ু এসনা লৈবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পনা পাম্মি হায়বা পাউশিংগী মখা তারকপদা কোরোনাভাইরস ভেক্সিন রিছার্চকী হকশিং য়োন্নবগী নৎতে হায়না জর্মনিগী ফোরেন মিনিষ্টরনা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়খ্রে।

হৌজিক ফাওবদা মালেমদা মীওই ৬,০০০ হেন্না হাৎখ্রবা অমসুং মীওই মীল্লিয়ন কয়া মপান থোকহন্দনা থমখ্রবা অমসুং গ্লোবেল মার্কেটশিং মাঙতাকহনখ্রবা তমথিবা কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা ভেক্সিন অমা পুথোক্লবগী সাইন্টিষ্টশিংনা কন্না হোৎনরিঙৈদা মেদিয়া গ্রুপ ফংকেদা পীবা ইন্টরভ্যু অমদা ৱাফমশিং অদু ফোঙদোক্লকখিবনি।

দ্রগ অমসুং ভেক্সিন দিভলপমেন্টতা জর্মনি রিছার্চরশিংনা লুচিংবগী মরুওইবা থৌদাং অমা লৌরি অমসুং মদুগী মরিকচুম্বা ফলশিং অদু ঐখোয়না অতোপ্পনা লৌগে হায়বা য়াহল্লেই হায়না ফোরেন মিনিষ্টর হৈকো মাসনা পাউগী এজেন্সি অদুদা হায়খি।

জর্মন বাইওটেক ফার্ম ক্যওর ভেককী ভেক্সিন অমা পুথোক্লবগী রিছার্চ অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটস খক্তগী ওইনা ফংনবা দোনাল্দ ট্রম্পনা দোল্লর বিল্লিয়ন ১ পীগে হায়রে হায়না পাউশিংদা ফোঙলকখিবনি। পাউ অদুদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ইকোনোমি মিনিষ্টর পিটর অলটময়ারনা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা এ আর দি ব্রোদকাষ্টরদা জর্মনি অসি য়োন্নবগী নৎতে হায়খি।

২০০০দা লিংখৎখিবা কিওর ভেক অসি জর্মন ষ্টেট থুরিনগিয়াদা লৈ অমসুং ফ্রেঙ্কফর্ট অমসুং বোষ্টোনদা অতোপ্পা সাইটশিংসু লৈ।

কেন্সরগী লায়েংশিং, এন্টিবোদিদা য়ুমফম ওইবা থেরাপিশিং, তাঙনা থোকপা অনাবশিংগী লায়েং অমসুং প্রোফাইলেটিক ভেক্সিনশিং পুথোকপদা ফার্ম অসিনা স্পিসেলাইজিং তৌই।

ঐখোয়না থা খরগী মনুংদা কোরোনাভাইরসকী ভেক্সিন ওইবা য়াবা মতিক চাবা হিদাক অমা ঐখোয়না শোয়দনা পুথোকপা ঙমগনি হায়না ঐখোয়না য়ান্না থাজে হায়না মসিগী সি ই ও দেনিয়েল মিনিচেল্লানা হায়খি।

---

# জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা খূৎ–থোক্নবদা লাস্কর অমসুং হিজবুলগী কম্মান্দর মকোকশিং য়াওনা টেরোরিষ্ট ৪ শিখ্রে



***শ্রীনগর, মার্চ ১৬(এজেন্সি)ঃ***

খা কাশ্মিরগী আনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টতা ঙরাং নোংমাইজিংগী অঙনবদা ৱাতরগাম এরিয়াদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা লাস্কর–ই–টাইবা অমসুং হিজবুল মুজাহিদীনগী মকোক থোংবা কম্মান্দর ২ য়াওনা টেরোরিষ্ট ৪ শিখ্রে।

টেরোরিষ্টশিং অদুগা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী অপুনবা টিম অমগনা ফয়াজ অহমদ দর কৌবা অমগী ইংখোল মনুংদা নোংমৈ কাপ্পবদা টেরোরিষ্ট ৪ অদু শিখিবনি হায়না পুলিসনা হায়খি।

টেরোরিষ্ট খরা মফম অদুদা লৈরে হায়বগী অকক্লবা ঈ–পাউশিংদা য়ুমফম ওইরগা জম্মু এন্দ কাশ্মির পুলিস, সি আর পি এফ অমসুং আর্মিনা পুন্না থাংজগী নুমিদাংদা মফম অদুদা কোয়শিনবা অমসুং থিবা–হুম্বগী থবক চত্থখি।

সেক্যুরিটি ফোর্সকী অমনুবা টিম অদুনা মফম অদুদা থিবা–হুম্বগী থবক অদু অসুম অসুম কনশিল্লকখিবনা মফম অদুদা লোৎতুনা লৈরিবা টেরোরিষ্টশিং অদুনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মথক্তা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। মদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু মতিক চানা খূৎ হনবদগী নকন অনীনা খূৎ থোক্লকখি হায়না সাউথ কাশ্মির পুলিসকী দি আই জি অতুল গোয়ালনা হায়খি।

নাকন অনী খূৎ থোক্নরকখিবা অদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কোয়শিল্লক্লবা টেরোরিষ্ট ৪ অদুনা কোশিল্লক্লিবা অদু থুগাইনবা হোৎনরকখি অমসুং চেনখি। মতাং অদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মখোয় লোয়নমক অদু নোংমৈনা কাপথৎখি হায়না দি আই জি অদুনা হায়খি।

নোংমৈ কাপ্পবা অদুদা সেক্যুরিটি পার্সোন্নেল অমত্তা শোকখিদে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

শিরবা টেরোরিষ্টশিং অদুদি মুজাফর অহমদ, উমর অহমদ, গুলজার অহমদ অমসুং শাজাদ অহমদনি হায়না মশক খঙলে অমসুং মখোয়দগী এ কে ৪৭ রাইফল ২, পিসটোল ২, নোংমৈ মরুশিং অমসুং অতৈ মিলিটেন্টকা মরী লৈনবা মচাক–মথুমশিং ফংখ্রে হায়না দি আই জি অদুনা হায়খি।

মীওইশিং অদুগী মনুংদগী মুজাফর অহমদ অমসুং উমর অহমদনা সোপাট খূনদগীনি, গুজর অহমদনা তারিগাম খূনদগী লাকখিবনি অমসুং শাজাদ অহমদনা কুলগাম দিষ্ট্রিক্টকী তেংবালফ্রিসাল খূনদগীনি হায়না দি আই জিনা মখা তাখি।

মখোয়না য়াওবা লুপশিংগী মতাংদনা মুজাফর অহমদ, উমর অহমদ শাজাদ অহমদনা লাস্কর–ই–টাইবগীনি। অদুগা গুলজার অহমদ হিজবুল মুজাহিদীনগী থবক তৌবনি। মুজাফর অমসুং গুলজারনা মখোয় মখোয়গী লুপশিং অদুগী মকোক থোংবা কম্মান্দরশিং ওইনা থবক তৌই। মখোয় ৪ লোয়নম টেরর কেস কয়ামরুমদা চেন্নৈ হায়রি।

মরকসিদা আনন্তনাগ অমসুং কুলগাম দিষ্ট্রিক্টশিংদা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং ওইনা ইন্টরনেট সার্ভিসশিং ককথৎখ্রে।

---

# মেহবুবা থাদোক্নবা দিমান্দ তৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৬(এজেন্সি)ঃ***

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ফরুক অবদুল্লা থাদোকখ্রবগী তুংদা পি দি পিদগী তাহ্বোরকখ্রবা এম পি নাজির অহমেদ লাৱেনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি উন্নখ্রে অমসুং ওমর অবদুল্লাগা লোয়ননা পার্টি চীফ অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতি থাদোক্নবা দিমান্দ তৌখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর ২ অমসুং নহা কয়ামরম ফাদুনা থল্লি। মখোয় পূন্নমক অদু থাদোক্লক্কদবনি হায়না ঐনা দিমান্দ তৌখ্রে হায়না মিষ্টর লাৱেনা হায়খি।

লেফটনেন্ট গভর্নর জি সি মুরমু ৱাশক লৌবগী থৌরমদা পার্লিয়ামেন্টকী এম পি লাৱেনা শরুক য়াখিবা মতুং মহাকপু ২০১৯গী নবেম্বর ১দা পার্টিদগী তাহ্বোকখিবনি।

থাদোক্লকখ্রবা ফরুক অবদুল্লাবু কোংগ্রেসকী সেনিয়ার লিদর গুলাম নবি অজাদনা থাংজ নুমিৎতা উন্নখ্রে অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা মহৌশাগী ফিভমদা মতম ঙন্না পোলিটিকেলগী খোঙচৎ হৌনবা নীংশিংখ্রে।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-408**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 6 | 1 | | | 8 | 2 | |
| 7 | | | 5 | 2 | | | | 3 |
| 3 | 5 | | | | 6 | | 1 | |
| 2 | 6 | 5 | 3 | | | | | |
| 1 | | 3 | | 6 | | | 5 | |
| | | 4 | 7 | | | 3 | | |
| | 3 | | | 7 | 5 | | | |
| | 2 | | | | 3 | 5 | | 6 |
| | | 1 | 6 | | | | | 2 |

## GAS TODAY

**Nongpok Sekmai Indane**
Booking : 29/01/20
Valid : 28/01/20
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 13/01/20
Sl. No. : 2830
Valid : 10/01/20
Sl. No. : 2301
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Khumbong Indane Service**
Booking : 25/01/20
Valid : 17/01/20
Stk : 306
Sl. No. : 730
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**K & K Indane**
Booking : 25/01/20
Valid : 16/01/20
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First come First Serve

**Misao Gas Service**
Booking : 10/02/20
Valid : 22/01/20
Stk : 306/ 19kg Available
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Imphal LPG Service**
Booking : 04/02/20
Valid : 17/01/20
Sl. No. : 13241
Stk : 306
Time : From 08.30 a.m.
First Come First Serve

**Hrangchal Indane**
Booking : 04/02/20
Valid : 01/02/20
Stk : 306
First Come First Serve

**Bashikhong Indane**
Booking : 16/01/20
Valid : 30/12/19
Stk. : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m
First Come First Serve

**সনা–সুদোকু – ৪০৭ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 6 | 8 | 9 | 5 | 4 | 7 | 3 | 1 |
| 4 | 7 | 5 | 8 | 1 | 3 | 2 | 9 | 6 |
| 1 | 9 | 3 | 2 | 7 | 6 | 5 | 4 | 8 |
| 3 | 1 | 9 | 4 | 6 | 5 | 8 | 7 | 2 |
| 8 | 2 | 7 | 3 | 9 | 1 | 4 | 6 | 5 |
| 6 | 5 | 4 | 7 | 8 | 2 | 9 | 1 | 3 |
| 9 | 4 | 6 | 1 | 2 | 8 | 3 | 5 | 7 |
| 7 | 8 | 1 | 5 | 3 | 9 | 6 | 2 | 4 |
| 5 | 3 | 2 | 6 | 4 | 7 | 1 | 8 | 9 |

---

# কোরোনাভাইরসকী মতাংদগী কেরলা আঙ্গনৱাদিশিং থিংজিনখ্রবনা মিদ–দে মিলশিং য়ুমদা থিল্লে

***থিরুভনন্তাপুরম, মার্চ ১৬(এজেন্সি)ঃ***

কেরলা গভর্ণমেন্টনা কোরোনাভাইরস লাক্তিনবা মাঙজৌননা লৌখৎপা থৌরাং অমা ওইনা অঙাংশিংবু য়ুমদা লেঙদনা লৈহন্নবা খঙহনখ্রবসু ষ্টেট অসিগী কোনুং থিরুভনন্তাপুরমদদি ঙসি অয়ুক নংহৌররোইদৌবগী মতাগুম য়ান্না হাথু–হাথুনা তৌবগী ফিভম অমা লৈখ্রে।

কেরেলাদা পুন্না আঙ্গনৱাদি সেন্টর ৩৩,১১৫ লৈ সেন্টরশিং অসিগী মিদ–দে মিল স্কিমশিংগী মখাদা অঙাং লাক্ষ ৩.৭৫ রোম লৈ। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কোরোনাভাইরসকী মাঙজৌননা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাং ওইনা ৮শুবা ক্লাস ফাওবগী স্কুল পূন্নমক থিংজিনখ্রে।

অদুম ওইনমক চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ী বিজায়ননা আঙ্গনৱাদিগী অঙাংশিং অদু লোয়নমক মখোয়–মখোয়গী য়ুমশিংদা মিদ–দে মিলশিংগী চিঙ্গাক অদু ফংহনগদবনি হায়খ্রে।

বেবি গিরিজানা মাগী সেন্টর অদুগী মনাক্তা লোয়নমক লৈবা অঙাং মহৈরোই ১৮গী য়ুমশিংদা মহাক্না চৎতুনা পীরুনবা চিঙ্গাককী পোৎলমশিং অদু ১৮ থোক্না খায়দোকখি। মফম অসিদা অঙাংশিং অদু লাক্লারোইদবনা চিঙ্গাক অদু মখোয়দা পীরুনবা ঐখোয়দা খঙহলক্লে হায়না মহাক্না হায়খি।

মরম অদুনা নুমিৎ ১৭নিগীদমক অঙাং অমমমদা হৱাই গ্রাম ২৫৫, গেহু গ্রাম ১২০, পিনৎ গ্রাম ১৭০, ওইল গ্রাম ৫৫ অমসুং জগ্গেরি গ্রাম ১৮০ পীরগনি হায়না মোমোন নোক্লদুনা বেবি গিরিজানা হায়খি।

ঙসি নোঙমদগীদমক মহাক্না চিঙ্গাক অদুগী অহানবা শরুক অদু পীনবগী থৌরাং তৌবগা লোয়ননা মহাক্না অহানবা মক্তদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লগদৌরিবা অদু চহী ৪ খক্তা ঙাইহিবী শালবিন কৌবা অমনি।

মাগী ময়ুমদা মহাক লাকপা উবদা ঙক্লদুনা মহাক্কী মতুং ইন্নদুনা অমসুং মখূৎ পায়রদুনা নুংঙাইনা নোকপগা লোয়ননা কেমেরাদা পুক্লিং খোয়জংনা য়েংখি। বেবি গিরিজানা ইমুং অদুগী অহল অমগী মমাঙদা চিঙ্গাক অদু অঙাংদা খূৎশিন্নখি অমসুং মফম অদুদা চুপ্পীরম্লগা খূৎ হায়রগা মফম অদু থাদোক্তুনা লাকখি অসুন্না অঙাং মথং–মথংদা চিঙ্গাকশিং অদু পীখি।